
# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 40, Issue No.85 | শগোলশেন, ঈঙা ১৮নি পানবা | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, June 23, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল, দিষ্ট্রিক্ট- ৩৩২ দি গী ৪৯ শুবা চার্টর নাইটকী থৌরম অমসুং অনৌবা থৌ পুবা খনবগী মীফম এম জি এভেন্যুদা লৈবা হোটেল নির্মালাদা পাঙথোকপা



ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা খুরাই এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীয়ামদা চেঙ শুনা ফংহন্দবা অমসুং রেসন কার্দ নীংথি নুংঙাইনা য়েন্থোক্তবগী মীয়াম্না পাউমীশিংদা পাউদম্বা



ম্যান্মারগা য়ুমলোন্নরা লৈরিবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মোরে টাউন্দা লৈবা মীয়াম অমসুং লল্লোন-ইতিক তৌবশিংগী খুদোং-চানবা এক্সিস বেঙ্ককী এ টি এম বুথ হাংদোকপা



সু তৌনবদা য়াওরিবা কুকি য়ু জি গ্রুপ অমগী কাদর ৪ খুৎলায়গা কোন্নবা এ আরগী পার্সনেলশিংনা ফারুবা থৌদোক্কা মরী লৈননা নুপীশিংনা এ আরগী কেম্পতা থোমজিনবা



## অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ৩০.২০০c | ২৩.৪৩০c |
| চান্দেল | ৩৪.৭০০c | ২৫.১৪০c |
| সীসীপুর | ৩০.২২০c | ২১.১৯০c |
| ইম্ফাল | ২৮.২২০c | ২১.৮৮০c |
| সেনাপতি | ২৭.৮৯০c | ২১.৪৭০c |
| তমেংলোং | ২৯.৫৪০c | ১৯.৫০০c |
| থৌবাল | এনএ ০c | এনএ ০c |
| উখ্রুল | ২৩.১৪০c | ১৬.৯৫০c |
| মণিপুর | ৩৪.৭০০c | ১৬.৯৫০c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৮১এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০২
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

## চ্যেরপার্সন খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ : আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ওইরম্বদগী থবক্তগী পোথাখ্রবী ডা. কে সোবিতা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চ্যেরপার্সন ওইনা হাপখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা ঙরাং চেরোল অমা থোকখ্রে। ডা. সোবিতা এফ এফ দি সীগী মেনেজিং দিরেক্টরগী থৌসু পুরম্মী।

## মীওই ৬ লায়কন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ : মোরে কষ্টম ওফিস মনাক্তা ইলেক্ট্রিক পোষ্ট য়ুংনবা হোৎনবদা এল টি ৱায়রদা থেংজিন্নবদগী পোষ্ট য়ুংবগী থবক তৌবা মীওই ৬ মৈনা চিংবদগী মোরে হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে। মৈনা চিংবদগী লায়কন্নখ্রবা মীওই ৬ অদুদি, মুতুম ফিবৌদগী এ কুমার (৪৫) , লৈকায়দুমক্তদগী এ ননাও (৩১), মোরে খুনৌদগী টি ঐচ তাংবা (২৭), মুতুম ফিবৌদগী টি ঐচ বসন্ত (৫৬), টুইজাংনোম ভিলেজদগী লালবোই (৩৫), অমসুং অপোকপা শিলপাও, টুইজাংনোম ভিলেজ, মোরে অমদি কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দগী সী ঐচ জয়ন্ত মৈতৈ (৩৭)নি।

## মখা চত্থরগনি

ইম্ফাল, জুন ২২ : খাঙবোক খুল্লাকপম লৈকায়দগী এলাংবম কানোন (২১)বু ফল্লাল্লবা মতুংদা তমথীনা হাৎতোক্লগা হুন্দোক্লম্বগী মতাংদা থা অসিগী ১৯দা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগা ৱারী শানদুনা নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা মীহাৎপশিং পুথোকপীয়ু হায়জখিবা অদু থবক ওইনা ওন্থোরক্তবদগী মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিশিংগী মথক্তা মখল-মখাগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না জে এ সী অসিগী প্রেস্তা থোকপা চেরোলনা হায়রি।

## HL POLL

**Q : Seven MR gi campus manungda mee hatpagi thoudok asi state ki law and order chaire haina loubra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**


**Q : Imphal Municipal Council, Corporation onkhraba tungda shemgat shagatpada ahongba lakkadra?**

Yes 35% No 65%


## অস! লোইরেহে!

এম এল এ ১, খুপাক ১;
মিনিষ্টর ১, নোংমৈ ১...!

ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯜ ꯑꯦ ꯱, ꯈꯨꯄꯥꯛ ꯱;
ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯱, ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯱...!




ৱা...ৱা, খুপাক অমুক চাদনা...!



সিফাইনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লিবা ৭-এম আরগী কেম্পস মনুংদা মী হাৎপগী থৌদোক

# প্রিপাক্কী হান্নগী ভি সী য়াওনা মীওই ২ হাৎলম্লে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): পিপলস রেভল্যুসনরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক)কী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট (ভি সী) ওইরম্বা হৌজিক্লা লৈঙাক্তা চঙজদুনা লৈরবা থাংমৈবন্দ লৌরুং পুরেল লৈকায়দগী নিংঙোম্বম নবচন্দ্র (৫৮) এলিয়স নোংদ্রেনখোম্বা অপোকপগী মিং লৈখিদ্রবা এন ইবোয়াইমা অমসুং মহাক্কী দ্রাইভর সিফাইনা মরোল নাইনা কোয়শিল্লগা ঙাক শেল্লিবা তরেৎশুবা এম আরগী কেম্পস মনুংদা লৈবা মহাক্কী ক্বার্টরদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে।

মখোয় অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বগী থৌদোক অদু চপ চানা করম্বা মতমদা থোকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। ঙসি মখোয় অনী থোরক্তে হায়দুনা য়েংনরুবদা লৈমায়দা নোংমৈনা পাল্লগা শিদুনা লৈরম্বনি। পুলিসনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মখোয় অনী ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ তাবা অদুৱাইদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপা ওইরমগনি হায়রি।

নোংদ্রেনখোম্বগা লৈমিন্নখিদ্রবা মহাক্কী দ্রাইভর অদু থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দগী লৈশাংথেম সঞ্জিৎ (৩১) অপোকপগী মিং লৌশিং কৌই হায়রি। মখোয় অনী তরেৎশুবা এম আরগী টাইপ-টু ক্বার্টর নম্বর ৩ দা লৈরকখিবনি হায়নসু পুলিসকী পাউনা মখা তানা হায়রি।

মখোয় অনীনা শিরগা লৈরম্বা ক্বার্টর অদু তরেৎশুবা এম আরগী অৱাং নোংপোক থংবা কাচিন্দা লৈবনি। ঙরাং নুমিদাং এম আরগী কেম্পস অসিগা নক্লবদা লৈবা ইবুধৌ নোংঙাদা লাইরেন পাখংবা অমদি ইবেন্ধৌ নোংদ্রেন ৱাংঙম্বী হরাওবা থৌরমগী মাইক শীজিন্নবা মরম্না মখোয় অনী নোংমৈনা কাপখিবগী মখোল কনামত্তনা ময়েক শেংনা তাহৌদে। মখোয়বু হাৎলম্লিবা শকখঙদবশিং অদুনা কমদৌনা এম আরগী কেম্পস মনুংদা চঙশিল্লক-পনো হায়বগী তাংদাংবা অমসু খঙবা ঙমদ্রি। অদুমকপু ক্বার্টর অদুদগী চিঙ্খে পাংবদা খরা খজিক চৎলগা তরেৎশুবা এম আরগী বাউন্দরি ফেন্সিং লৈ। হন্দক্তা অকনবা য়ুহা হাখিবা অদুদা বাউন্দরিগী ফেন্সিং খারিবা চেকপল অদু নিংখায়খিবদগী হৌজিক ফাওবা শেমজিন্দনা লাক্লি। হায়রিবা অহোবা শরুক অদুদা থবক শূবা শিন্মীশিংসু ঙাইহাক লৈতনা চৎথোক-চৎশিন তৌই হায়রি। মরম অদুনা শকখঙদবশিং অদুনা মীওই অনী অদু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লবা তুংদা মফম অদোমদা নাম্থোক্তুনা চৎলমগনি হায়নসু থাজনরি।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, নিংঙোম্বম নবচন্দ্র এলিয়স নোংদ্রেনখোম্বা ক্বার্টর অদুদা লৈবা মহাক্কী তুম্ফম কাগী লৈমায়দা শিরগা লৈরমখি। মহাক্কী কোক অমদি য়েৎ থংবা ফৈগলদা নোংমৈ মরূ অনী পানবগী মফম লৈরম্মী। মহাক্কা লোয়ননা শিরগা লৈরম্বা দ্রাইভর সঞ্জিৎকীনা খদাং অমদি য়েৎ থংবা ফৈগলদা নোংমৈ মরূ অনী পানবগী মফম লৈরম্মী। মহাক্কী হকচাং অদু ক্বার্টর অদুগী চাকশঙদা তারগা লৈরম্বনি। মখোয় অনীমক নুপী-অঙাং লৈরবা মীওই ঙাক্তনি।

শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লবা নিংঙোম্বম নবচন্দ্র এলিয়স নোংদ্রেনখোম্বা প্রিপাক্কী লুচিংবা ওইরম্বদগী কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বর ১৫ দা খুৎলায় থাদোক্তুনা মণিপুর লৈঙাক্তা চঙজরকখি। অসাম রাইফলসকী খুথাংদা সরেন্দর তৌরক্লবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী য়াওনা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বেঙ্ক্যুইট হোলদা পাঙথোকপা অচৌবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টরনা মহাকপু তরাম্না ওকখিবনি। মহাক্না লৈঙাক্তা চঙজখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা প্রিপাক্না পেন্দবা ফোঙদোকপগী ৱাফম কয়ামরুম লৈখি। অদুমকপু কনানা মখোয় অনীবু কাপ্তুনা হাৎলম্বনো হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি।



# রিমসকী নর্সশিংনা এম এল এ মেঘচন্দ্রগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে




ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী ফিজিকেল মেদিসিন এন্দ রিহেবিলিটেসন (পি এম আর) ৱার্দতা লৈবা অনাবা অমা হংবা লাকপদা চঙহল্লি, চঙহন্দে হায়বগী মতাংদা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা রিমসকী নর্সশিংনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিসু ওইরিবা এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রগী মায়োক্তা ঙসি প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৫০ রোম তারকপদা এম এল এ মেঘচন্দ্র অনাবা অমা হংননবগীদমক পি এম আর ৱার্দতা লাকখি। পি এম আরগী চৎনবী অমা ওইনা ৱার্দতা লৈরিবা অনাবশিং নুমিদাংগী পুং ৬কী মতুংদা উনবা য়াদে হায়বা ওথোরিটিগী য়াথং মতুংইন্না এম এল এ অসিবু ৱার্দকী গেটতা চঙহন্দনা থমখি। তুংদা দিপার্টমেন্ট অসিগী দোক্টরশিংনা এম এল এগী ইকায়খুম্নবা ঙাকপা ওইনা ৱার্দ মনুংদা চঙহনখি।

কে মেঘচন্দ্রনা ৱার্দতা চঙলুরবা তুংদা থোরক্লগা পি এম আরদা ষ্টাফ নর্স ওইনা পুবা এল কান্ত সিংহ অমদি জি দোয়াং রোংমৈ কৌবা এটেন্দেন্ট অমদা ওনশিল্লগা মহাক কনানো হায়বা খঙব্রা হায়না হংলকখি অমসুং করিগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# লম নাখৈ শেংদবদগী স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি হোংখিবা য়াবগী ফীভম লৈরে : বি জে পি

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী চপ চাবা মফম লেপথোক্তবদি শাফম হোংনবা খন্নরকপা য়াই হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মায়কৈদগী ষ্টেট লৈঙাক্তা খঙহল্লকখ্রে। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি হোংখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী প্রসিদেন্ট শান্তিকুমার শর্ম্মনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা শান্তিকুমার শর্ম্মনা হায়খি, মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী জোইন্ট সেক্রেটরি রাজবীর সিংহনা চহী অসিগী মে ২৬ তা ষ্টেট লৈঙাক্তা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী মতাংদা চেরোল অমা থারকখ্রে। চেরোল অদুদা পল্লকখিবা মপুং ওইবা ৱাফমদি স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী লম ইক্যুজিসনগী চয়েৎনরিবা অসি অথুবদা লোইশিন্দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী থবক হৌবা য়ানবা থবক পায়খৎলু। করিগুম্বা পায়খৎলক্তরবদি স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাফমগী মতাংদা মখা তানা খন্নরকপা য়াই। থা অসিগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী লমগী চপ চাবা ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা খঙহল্লকউ হায়বা ৱাফম অসিনি।

চহীসিগী মে ২৬ তা চেরোল থারক্তুনা খঙহল্লকখ্রবা ফাওবা ষ্টেট লৈঙাক্লা থোইদোক্লা মীৎয়েং চঙবগী মমি উদে। য়াইথীবী লৌকোলদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগনি হায়না থৌরাং তৌরিবা অপূনবা লম একর ৩৩৬ লোমগী মনুংদা একর ৬৫ রোমগীদি হায় কোর্টতা কেস পেন্দিং লৈরি। লম একর ২৫০ রোম্না লম মপুশিংনা কমপ্লেন্ট তৌদুনা লৈরি। য়াইথীবী লৌকোলদা লমগী চয়েৎনবা লৈরে খঙলবা মফম অসিদা লৈঙাক অসিনা অদুমক শাগনি হায়না লেপ্তুনা লৈরি। করিগুম্বা চয়েৎনবা অসি ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবা তারবদি স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসিগী মরাইবক তম্বা ঙমদ্রি। অতোপ্পা মফমদা হোংখিগদ্রা ...*মখা লামায় ৩ কলম৪*

# তাকয়েলদা লৈবা আই টি আই হোংদোক্লনবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): তাকয়েলদা লৈরিবা ইন্দষ্ট্রিএল ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট (আই টি আই) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টলোমদা হোংদোক্লনবা ঙসি ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমনা ইনপ্রিন্সিপল ওইনা অয়াবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেট মীফমগী তুংদা লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোয় মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা পাউমীশিংদা হায়খি, তাকয়েলদা লৈরিবা আই টি আই অতোপ্পা মফমদা হোংদোকখিনবা লৌখিবা ৱারেপ অসি মফম অদুমক্তদা মণিপুর টেক্লিকেল য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস হাংদোক্লনবগীদমক্তনি। মসিগীদমক হায়র এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা হায়জরকখিবা ৱাফম অদু কেবিনেটনা খন্নখিবনি। অদুমকপু আই টি আই হোংদোক্কদবা মফম অদুদি ঙসিগী মীফমদা চপ চানা লেপ্নখিদে।

মফম চাবা খরগা য়েংলগা লেপ্পনবা ৱাফমদি ফোঙদোক্লখি হায়রি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, টুরিষ্ট স্পোট অমা ওইনা মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা লৈরক্লবা লৌকোই পাৎ টুরিজম দিপার্টমেন্টনা লৌশিন্ননবা ৱারেপসু লৌখ্রে। লৌকোই পাৎ লৈঙাক্লা লৌশিন্ননবা লৌখিবা ৱারেপ অসি হান্নদগী হৌনা টুরিষ্ট স্পোট ওইরক্লবা মফম অসি হেন্না মশক থোক্লা শেমগৎ শাগৎনবগীদমক্তনি হায়রি।

মসিদসু নৎতনা মাইবম লোৎপা চীংদা ইম্ফাল ৱার ম্যুজিয়ম (দব্লিয়ু দব্লিয়ু ২) অমসুং ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্স শেমগৎননবগীদমক লম একর ৪.০৫৫ চাউবা লমগী শরুক অমা টুরিজম দিপার্টমেন্টতা পীননবসু ঙসিগী কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে। লম অদু লৌশিনবদা মমিংগী ওইনা লুপা ৪,০৫৫ খক্তমক প্রিমিয়ম ওইনা থিহনগনি হায়না মখা তারি।

মণিপুরদা টেক্লিকেল এদ্যুকেসনগী ফীভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা ওর্দিনান্স অমা চল্লাইদুনা লৈঙাক্লা সেসন হৌননবা থৌরাং তৌরিবা মণিপুর টেক্লিকেল য়ুনিভর্সিটিগী তঙাইফদবা টিচিংগী কোর্স ৯ হান্না অয়াবা পীখ্রবা কোর্স ৫০গী মথক্তা ক্রিয়েসন তৌবদসু অয়াবা পীখ্রে। মসিগা লোয়ননা লেবোরেটরি টেক্লিসিয়নগী পোষ্ট অনী অমসুং লেবোরেটরি এসিষ্টেন্টকী পোষ্ট অনী অমগসু নৌনা ক্রিয়েসন তৌবদা অয়াবা পীখ্রে। মসি নৌনা হাংদোক্কদবা বি টেক ইন ইলেক্ট্রিকেল এঞ্জিনীয়ারিং কোর্সকীনি হায়রি। হন্দক্তগী সেসন হৌনবা থৌরাং তৌরিবা মণিপুর টেক্লিকেল য়ুনিভর্সিটিদা হাংদোক্লনবা থৌরাং তৌরিবা কোর্সশিং অদুদি বি টেক ইন সিভিল এঞ্জিনীয়ারিং, বি টেক ইন কম্প্যুটর সাইন্স এন্দ এঞ্জিনীয়ারিং, বি টেক ইন ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ কম্যুনিকেসন এঞ্জিনীয়ারিং অমসুং বি টেক ইন মেকানিকেল এঞ্জিনীয়ারিং হায়রিবা কোর্স মরি অসিনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্বলি সেক্রেটরি-য়েটকী ওইনা পোষ্ট ১২৫ ক্রিয়েসন তৌবগী অয়াবা ঙসি ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেট ...*মখা লামায় ৩ কলম২*

# কাকোন এসোসিএসননা ফাগৎখিবা চেঙ অহোঙবা মমলদা মীয়ামদা য়োনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): কংলৈপাক কঞ্জ্যুমরস এফেয়র্স (কাকোন) এসোসিএসনগী থৌমী-শিংনা ঙসি ৱাহেংবম লৈকায়দগী নাগামপাল চৎখিবা লম্বীগী মরক্তা লৈবা ওভরব্রিজকী মখাদা মীয়ামদা অহোঙবা মমলদা চেঙ য়োনখ্রে।

মীওই অমমম্দা কে জি ৫/৫ অহোঙবা মমলদা ফংহনখিবা চেঙশিং অদুগা মরী লৈননা কাকোন এসোসি-এসনগী কনভিনর লাইশ্রম রতননা হায়খি, মীয়ামদা অহোঙবা মমলদা য়োনখিবা চেঙশিং অদু এসোসিএসন অসিগী থৌমীশিংনা থা অসিগী ২০দা চত্থিবা দ্রাইভতা ফাগৎলকখিবা পি দি এসকী চেঙশিং অদুনি।

পি দি এসকী চেঙ দুকানশিংদা য়োনবা য়াদে হায়বা ৱাফম লৈনা লৈনা আর কে শম্মগী দুকানদা চেঙ কে জি ৫০গী বেক অমদা লুপা ১,২৫০দা য়োল্লমখিবনি। মদুদগী কাকোন এসোসিএসনগী থৌমীশিংনা দুকান অসি নুমিৎ ৩নি থোঙ লোলহনখি। মদুগী মতুংদা ঙসি দুকান অদুগী মপুগা য়ানরবা তুংদা চেঙশিং অদু কে জি অমদা লুপা ১২দা মীয়ামদা ফংহন-খিবনি। মতুং তারকপদা মীয়াম্নসু পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম (পি দি এস)গী চেঙশিং মমল হেন্না লন্নাই দুকানশিংদা য়োনবা থেংনরবদি কাকোন এসোসিএসনগী থৌমী-শিংদা পাউ পীবিয়ু হায়রি।

# লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী চার্টর নাইট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল, দিষ্ট্রিক্ট-৩৩২ দি গী ৪৯ শুবা চার্টর নাইটকী থৌরম ঙসি এম জি এভেন্যুদা লৈবা হোটেল নির্মালাদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৬-১৭ গী নৌনা থৌপুগদবশিংসু খনখ্রে।

চার্টর নাইটকী থৌরমদুদা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা চিফ গেষ্ট অমদি ক্লবসিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ও কুলাচন্দ্রানা থৌরম মপু ওইখি। লোয়ননা এম জে এফ ঐচ মনিকুমার, এম জে এফ, টি সত্যাপ্রিয়া সিংহ, এম জে এফ গ্যানচান্দ পাটনি, এম জে এফ দব্লিয়ু ভক্তরাজ অমদি এম শ্বানুপিনী দেবীনা গেষ্ট ওফ ওনরগী ফম্ফমলাংদা ফমখি।

থৌরমসিগা মরী লৈননা মালেমগী লৈমায়দা খুন্দারিবশিং ঈংনা চিক্লা লৈন্নবা মীনিট অমা লেপ্তুনা তাইবঙ মপুদা থৌনীজবা, হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমগী রিপোর্ট, দ লাইওন্স বক্ষিট কৌবা চহীগী চেফোঙ ফোঙবা, নৌনা থৌ পুগদবা অমদি নৌনা লাইওন্স ক্লব ইম্ফালদা য়াওরক্লবা মেম্বরশিংবু শক্তাকপা অমদি খুদোলপোৎ পীবনা মপুং ওইখি।

থৌরমদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট ও. কুলাচন্দ্রানা হায়খিবদা, মীওইবগী য়াইফনবা, ঈংনা চিক্লা পান্নবা চহী ৪৮ হেন্না থবক তৌরক্লবা লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল, দিষ্ট্রিক্ট ৩২২ দি অসি কুমজা ১৯৬৮ গী মার্চ ১৪ দা লিংখৎখিবা লাইওন্স ক্লব ওফ শিলোংগী মখাদা হাংদোকখিবনি।

ঙসিদি চহী ৪৯ চঙলক্তুনা মীওইবা খুন্নাইনা হেন্না ঈংনা চিক্লা লৈনবা পান্দমদা থবক কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। শুপ্নগী মীওই ৩০ খক্লা হৌদোকখিবা ক্লব অসিনা ঙসিদি মেম্বর ৯১ শুবগা লোয়ননা মালেমগী লাইওন্স ক্লবশিংগী মনুংদা শীংথানিংঙাই ওইনা পাঙথোকপা থবকশিংদা মিংথোল কয়া ফংলকপা ঙম্লি।

মশা মউ ফবা মালেম অমা শেম্নবা ফ্রী হেল্থ চেক অপ, ফ্রী আই কেম্প পাঙথোক্তুনা লেম্না হীদাক লাংথক অমদি ওপরেসননচিংবা পাঙথোকপদা তেংবাং পীরি। তঙাইফদবা মীওইশিংদা পীননবা ঈ কৎপা, উ-ৱা থাবনচিংবা কয়া পাঙথোক্লি। মসিগী মথক্তা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# হাই-টেক এয়র এ৯ ফোর জি মোবাইল ফোন লোঞ্চ তৌখ্রে




ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): মমিং লৈরবা মোবাইল ফোন শাবা কম্পনিশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা হাই-টেক কম্পনিনা হন্দক্তা নৌনা শাদুনা পুথোকপা *হাই-টেক এয়র এ৯ ফোর জি* মোবাইল ফোন ঙসি ইম্ফালদসু লোঞ্চ তৌখ্রে।

অমর ইন্টরপ্রাইজেসনা শীল্লগা ইম্ফালগী ক্লাসিক হোটেলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা হাই-টেক এয়র এ৯ ফোর জি মোবাইল অদু শক্লাইরবী এক্টর বালা, হাই-টেক কোলকাটাগী মেনেজিং দিরেক্টর এম দি গ্যাসউদ্দিন, হাই-টেক কোলকাটাগী ওপরেসন হেদ নুর অহমদ অমসুং মণিপুরদা হাই-টেক মোবাইলগী দিষ্ট্রিব্যুটরসু ওইরিবা অমর ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপাইটর সোরোখাইবম অমর্জিৎনা পূন্না লোঞ্চ তৌখিবনি।

হাই-টেক এয়র এ৯ ফোর জি মোবাইল লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা হাই-টেক কোলকাটাগী মেনেজিং দিরেক্টর এম দি গ্যাসউদ্দিননা হায়খি, হাই-টেক কম্পনি অসি অহানবা ওইনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

# রতন ৱান্টেদ লাউথোকখিবগী মায়োক্তা কৌখিবা পুং ৪৮গী বন্দ হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস)গী কনভিনরগী থৌ পুরম্বা খোমদ্রাম রতনবু ৱান্টেদ লাউথোক্লিবা লৈঙাক্কী খোঙফম হন্দোকউ হায়বা ৱাফম য়াওনা তোঙান-তোঙানবা দিমান্দ কয়া তাল্লদুনা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দ এনাউন্সমেন্ট ওফ ৱান্টেদ জে সী আই এল পি এস লীদর খোমদ্রাম রতননা কৌখিবা পুং ৪৮গী বন্দ ঙসিদগী হৌখ্রে।

শিংজমৈ থোংখোঙদা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দ এনাউন্সমেন্ট ওফ ৱান্টেদ জে সী আই এল পি এস লীদর খোমদ্রাম রতনগী কনভিনর টি ঐচ সুভাসচন্দ্রনা হায়খি,



হৌখিবা জুন ২০ দা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইবা মীফম্না লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না জুন ২২ অমসুং ২৩গী লোন্নবা অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা লাক্লিবা জুন ২৪গী অহিং নোংয়াই ফাওবা মণিপুর পুম্বা বন্দ তৌরগনি।

বন্দ অসি জে সী আই এল পি এসকী লুচিংবা খোমদ্রাম রতনবু মণিপুর লৈঙাক্লা মরাল পীশিন্দুনা ৱান্টেদ লাউথোকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অমদি রতনগী মথক্তা নমদুনা এফ আই আর পানশিনবা লৈঙাক্কী থৌওং অদুগী মায়োক্তনি। জে এ সীনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিনা তাল্লিবা দিমান্দদি জে সী আই এল পি এসগী লুচিংবা খোমদ্রাম রতনবু মরাল পীশিন্দুনা ৱান্টেদ লাউথোকপা খুদক্তা লৈঙাক্লা লৌথোকউ। খোমদ্রাম রতনগী মথক্তা লৌখৎলিবা এফ আই আর খুদক্তা লৌথোকউ। জে সী আই এল পি এস অমদি য়েলহৌমীশিংনা তাল্লিবা আই এল পি খুদক্তা চৎনহল্লু হায়বসিনি।

বন্দ মনুংদা অনা-লায়েং, লাইনিং-লাইশোল, মৈহৌ লাংপোক অমদি মিদিয়াগী ওইনদি কোমথোক্কনি। বন্দ অসিদা লমদমসিগী সোসল ওর্গনাইজেসনশিং, মৈরা পায়বী ইমা-ইবেলশিং, কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিং, ষ্টুদেন্ট'স য়ুনিয়নশিং, লোকেল ক্লবশিং অমদি ট্রান্সপোর্টর-শিংনা শৌগৎপীয়ু হায়রি।

মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংবু কঞ্জনবগীদমক আই এল পি সিষ্টেম চৎনহন্নবা হোৎনবদা জে সী আই এল পি এসনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। অসিগুম্লবা জে সী আই এল পি এসকী লুচিংবা খোমদ্রাম রতনবু মণিপুর লৈঙাক্লা ৱান্টেদ লাউথোক্লগা আই এল পিগী ঈহৌ অসিবু নমথনবা হোৎনরক্লি। মসিমক য়েলহৌমী খুন্নাইবু লৈঙাক্লা ফোঙনা শীংনবনি অমদি লৈবাকসিগী ওইবা আইনবু খোঙ্গাওনবনি। অসিগুম্লবা লৈঙাক্কী থৌওংশিং ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

# আইস ক্রিম মখল খরা য়োনবা থিংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): মীয়াম্না পাম্না চানরিবা দিলিসিয়স আইস ক্রিম অমসুং ফ্রোষ্টি পঞ্চ আইস ক্রিম মখলশিং মণিপুরদা য়োনবা থিংলে হায়না ঙসি ইন্দিজিনস পিপল এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক)না লাউথোকখ্রে।

কৈশাম্পাৎতা লৈবা ইপাককী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা লুপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি দব্লিয়ু শান্তানা হায়খি, হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়ানা মখোয়গী মচা-মশুশিংনা আইস ক্রিমশিং অসি চারুবদগী মশা ঙল্লক্ত্রে হায়না ৱাকৎলকপগা লোয়ননা আইস ক্রিম শারিবা কম্পনিশিং অসিদা মীৎয়েং চঙবীননবা খঙহল্লকপদগী ইপাকনা দ্রাইব চত্থখি। ৱাকৎশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা আইস ক্রিম শাবগী মওং-মতৌ য়েংশিল্লুবা অদুদা য়াম্না ফীভম চারমদবা, আইস ক্রিম শাবদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*


ঈ-পাক্তা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টকীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫